# এদিটোরিয়েল

ইম্ফাল,লমতাগী ১৪ নি পানবা, নিংথৌকাবা মার্চ ২,২০২৬ ইং

## নুমিৎ মঙানিগী য়াওশঙ কুম্মৈ

### হরাও কুম্মৈদা, ইথক ইরাংদা মতম কা হেন্না মাঙহনবা চূমদে

হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা য়াওশঙ ফেষ্টিভেল অসিসু অমনি। ঙল্লিঙৈ মতমদদি নুপী-অঙাং, নহা অহল খায়দনা য়াওশঙ কুম্মৈ করম্বা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবনো হায়না হংনরল্লিবনি। চহী অমগী কেলেন্দর লৈরগা পুরকপদা য়াওশঙ করম্বা মতমদা তারগে হায়বসিসু য়েংনরল্লিবনি। কুম্মৈ-ফিয়োংদা মণিপুরীশিংনা খ্বাইদগী থৱায় য়াওবনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদদি ফেষ্টিভেল অসি নুমিৎ মঙানি চূপ্পা পাঙথোকই। অদুবু লাইনিংগী হৌরকফম অমসুং ফেষ্টিভেল অসিগী হৌরকফম ওইরিবা উট্টর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গলগুম্বদদি ফেষ্টিভেল অসি নোংমদগী হেন্না পাঙথোক্লদে। অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসি লাইনিংগী মিংদা নহা অহল, লৈশা পাখঙ, নুপী অঙাং পুম্নমক ঈরাংদা ইরাক্লহনবা ফেষ্টিভেল অমনি হায়না লৌরবসু য়াই। মীগী লমদনা অয়ূক্কী মতমদা ইমুং মনুং নৎত্রগা কম্মুনিতিগী ওইবা অবের তৈনবগী থৌরম পাঙথোক্লগা নুমিদাংৱাইরমগী মতমদনা ফিরোল নান্না শেৎ-চাদুনা মরুপ মপাংশিংগী য়ূমদা কোয়বা চৎলগা অথুম-অহাওশিং চামিন্নবনি। অদুগা মণিপুরদদি য়াওশঙ হৌদ্রিঙৈ নুমিৎ ১০ নি হেন্না ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা লৈশাবী মচাশিংনা লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং থৎলগা শেল নীবা, য়াওশঙ মৈ থারবা মতুংদনা অঙাংশিংনা য়ূমথোং খূদিংদা অমসুং মরী মতাশিংগী য়ূমদা শেল নীবা, অহল লমনশিংনা হোলি ঈশৈ শকপা, লৈশাবী-পাখঙশিংনা নুমিদাংদা থাবল চোংবা, অয়ূক নুংথিলদা অবের তৈনবদগী হেন্দোক্লদুনা লৈখোম লৈনাং থীৎলগা হৈজিন্নবা অমসুং গাড়ী এক্সিদেন্টনচিংবা ময়াম অমা থোক্তুনা মীশি মীনা নংহল্লি। নুমিৎ ৫ নিগী ওইবা ফেষ্টিভেল ওইবনা মীওই অয়াম্বনা নোংমগী থবক তৌনদে। ফেষ্টিভেলনি হায়দুনা নুংঙাইথোক্তুনা লৈথোকই। নুমিৎ ৫ নি ৬নি শু-নোমদ্রবনিনা, শু-নোম্লগা চাবা ইমুংদি খমথেংনা লাইর-তালহল্লি। হৌজিক্তি মতম হায়বসিদগী হেন্না তাংবা পোৎশক অমা লৈত্রে হায়না লৌনরিবনি। মসিগীসু মথক্তা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট একজামিনেসন অমসুং হয়ার সেকেন্দরি একজামিনেসনগী মতম ওইবনিনা মহেরোই ময়াম অমা অহিং নুংথিল তূম্বা চাবা খঙদবমখৈ লাইরিক পান্নরিবনি। শু-নোম্বনা অওনবা পূন্সিরোল অমা পুরকপা ঙমগনি হায়না খঞ্জবা নহা ময়াম অমদি য়াওশঙ ফেষ্টিভেল অসি মখোয়দদি করিমত্তা কান্নদবা, পামজদবা ওই। অরেম্বদা শেল য়াম্না চাদিং তৌহনবা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা মনিং তম্লকপা অমসুং ইথক ঈরাংদা তাওরগা লৈবনা মণিপুর হৌজিক করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে হায়বসি ঙাইহাক ফাওবা নীংশিংবীররোইদ্রা হায়বা ফাওবা খন্নরক্লবনি। আই দি পিশিংনা মমিৎতগী মপী তারি, কাঙলূপকী ঈরাংদা মফম মরাং খঙহৌদনা থৱায় মাঙখ্রবা মীওই ময়াম অমগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অদুনা য়াওশঙ ফেষ্টিভেল অসিবু করম্না পাঙথোক্লিংলমগনি হায়বসি খন্থমিন্নসি।

খূন্নাই অমদা ফেষ্টিভেল হায়বসি তঙাইফদবা লৈতবদি নত্তে। মসিনা মতম শাংনা ইমুং মনুংগী মীওইশিং উন্নদবদু ফেষ্টিভেল অসিগী মতমদদি উন্নহল্লি। মাগী মাগী মথৌ মঙ্মশিং পাঙথোক্লনবা তোঙান তোঙশনবা মফমশিংদা লৈনরুবশিং ময়ূমদা হল্লক্লরগা চাক চাখোম অমত্তা ওইরগসু চামিন্নে। মরম অদুনা অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসিনা ইমুং মনুং খক্তা নত্তনা কৈরোই লৈকায়গী মীয়ামবুসু পূনশিনহল্লি। পূন্না থবক তৌমিন্নে। ফেষ্টিভেল অসিগী মনুংদা মশক থীবা, তৌহন্নিংদবা, ইথক ঈরাংগী ময়ামশিং অদু ফজননবগীদমক চহী খরগী মমাঙদগী হৌনা লৈকায় লৈকায়দা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংনা শীন্দুনা য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোক্লে। য়াওশঙ স্পোর্টস হায়বসিদা শান্ন-খোৎনবা খক নত্তনা লাইরিক লাইশু, মশা মশাগী হৈ-শিংবা অমসুং কলচরগী ওইবা হিরম কয়াদা অথোই-অহেন তান্নহল্লি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা একজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা অঙাংশিংবুসু পূক্লিং থৌগৎপী। মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংসু কুম্মৈ য়েংবা ফজে। লৈকায় অদুদা লৈরিবা অঙাংশিং মশক খঙনবগী খূদোংচাবসু ফংহল্লি। শান্নবা হায়বসি করিনো অমসুং ঐখোয় পূন্না লৈকায় অমদা করি তৌবা য়াবগে হায়বা অদুসু উৎপা ঙম্মী। অসিগুম্বা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং অসিনা অঙাংশিংদা ইনোৎ অমা পীবদি য়াই। অদুবু মদুমক্লা অঙাং অমগী তুংগী পূন্সিরোলদা অফবা শান্নরোই ওইহল্লি হায়বদুদি হায়মনবা থোক্কনি। থৌরম অসিনা য়াওশঙ কুম্মৈদা অবের তৈনহন্দনবা, য়াওশঙ কোয়বা চৎহন্দনবা, ইথক ঈথরাংদা তাওহন্দনবা অমসুং খৎন-চৈনবগী থৌদোকশিং থিংবা ঙম্নবগীদমক্তা থৈদোক্লগা পুরকখিবনি। অহল লমনশিংনা শেল্লল্লিবা কাঙলোনশিং অসি য়াওশঙ কুম্মৈ অসিগী মতিক ময়ায় খরা মখৈ হন্থহল্লগা কান্নবা হিরমরোমদা পুরকপনি। হৌজিক্তি কান্নবা হিরমনি হায়রিবা শান্ন-খোৎনবগী হিরম অসিসু শাওং অমা হোংদোকহল্লগা অঙাংশিংগী তুংগী কেরিয়র শেম্বা য়াবা ৱাখল্লোন পীননবা নোংমগী মনুংদা পূং ১ দি ৱাখল থোকপা য়াবা ৱারী লীদুনা তাহনবগী থৌরমশিং হাপচিনবা কান্নগনি। য়ারগদি য়াওশঙ ফেষ্টিভেল অসি ঐখোয়সু নোংমগুম্বদং পাঙথোক্লগা লোইশিনবদা করি অকায়বা লৈগদগে? লৈঙাক্কী ওফিসশিংসু নুমিৎ নিনিদগী হেন্না ছুতি থাদে। অদুবু চৎথোক-খোৎতোকপদা শেল মুনবা, অবের তৈশিনবীবা, য়াওশঙ স্পোর্টসকীনি হায়দুনা লম্বী থিংবনচিংবা থৌদোক কয়া মরুম চথবনা ওফিসসু ইমপ্লোয়ি অয়াম্বা কাদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি হৌজিক্কি মতমদা হরাও কুম্মৈ, ইথক ঈরাংদা মতম শাংনা মাঙহনবা চূমদে। মদুগী মহুৎতা চাওখৎপা খূন্নাই অমা ওইননবা নোংমখক য়াওশঙ পাঙথোক্লগা অতৈ মতমদি কম্মুনিতিগী সার্ভিস তৌবা অঙাংশিংদা তম্বীননবা হোৎনসি হায়জনিংই।

## WAYEL SUDOKU

*Puzzle 226*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 5 | | |
| | | | | | | | | 3 |
| 9 | | | 6 | 4 | | | | |
| | | 8 | | 7 | | | | |
| | | 3 | | | | | | 2 |
| | | | | 6 | | | 4 | |
| 6 | 7 | | | | | | 9 | |
| | | | | | 5 | 8 | | |
| 4 | | | | | | | | |

# পুন্সি মহিং শোয়বনা নুপীশিংদা ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকপা

অঙাং ওইহন্দনবা বার্থ কন্ট্রোল পিল চাবনসু ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকই হায়না থাজবা য়াওই। হায়রিবা গুলিশিং অসিদা ইষ্ট্রোজেন অমদি প্রোগ্রেষ্টরোন কৌবা হোর্মোনশিং চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই হায়না থাজনবনি। হৌজিক্তিঃ হায়রিবা হোর্মোনশিং অসিনা ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকপা নত্তে হায়বা খঙলে।

ইন্দিয়াদা ব্রেষ্ট কেন্সরগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়বা হন্দক্তা নৌনা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে। য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংতনগী ইন্সটিট্যুট ফোর হেলঠ মেত্রিক্স এন্দ ইভালুয়েসন (আই ঐচ এম ই)না মরুওইবা থৌদাং লৌরগা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদা সর্ভাইকল কেন্সরদগী ব্রেষ্ট কেন্সরনা মশিং য়াম্বা হেনগৎলে হায়বা খঙলকখিবনি।

ন্যু দিল্লিগী ইন্দ্রপ্রষ্ট এপোলো হোস্পিটালদা দিপার্টমেন্ট ওফ সর্জিকেল ওনকোলোজিগী সেনিয়র কন্সল্টেন্ট ব্রেষ্ট সার্জন ডাঃ এস শাহনিনা হায়, চাকচা য়ুথক শোইবা, পুক্লিং ৱাখল ৱাবা অমসুং পুন্সি মহিং শোইবনা মরম ওইরদুনা ইন্দিয়াদা ব্রেষ্ট কেন্সরগী চাং ৱাংখৎলকপনি।

মীপুম খুদিংমক মথৌ চিন্নরকপদগী মপান্দা য়োনবা ফাষ্ট ফুদ অমদি প্রোসেস ফুদ চাবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা অমসুং ৱাখল ৱাবা হেনগৎলক্লে। মনা-মশিংদা য়াওবা হার অমদি তিলহাৎ হিদাক্লসু হকশেলদা চাওনা শিংনরি। চাকচা য়ুথক অমদি পুন্সি মহিং শোইবদগী অমুক্কা হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্লহল্লক্লি।

ঙসিগী মীরোলনা হকচাং লেং ওৎপগী থবক চাং য়াম্না নেম্না লৈরে। মতম অমগী ফৌ শুবা অমদি চক্রি থকপগী থৌওং রাইস মিলনা মহুৎ শিনখ্রে। ইংখোল মতেক অমত্তং ওইরবসু কোইদুনা মনা-মশিং থানবগী মফম লৈশিল্লক্ত্রে। লৈকাইগী দুকান্দা পোৎ মচা অমা লৈবগীসু গাড়ী তোংলগা চৎনরে। মসিদসু নত্তনা ইমুং অমদা তোঙান তোঙানবা কাদা লৈরিবা মীওই মশেল কৌথোক কৌশিন তৌবদা মোবাইল ফোনগী মতেং লৌনরক্লে। পুম্নমক অসিনা মরম ওইদুনা হকচাংগী অরুম্বা অমদি অনোয়বা হেনগৎলকপগা লোয়ননা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লকপনি। অঙাংশিংসু অদুমঙাইরে। ঙাইহাক্তং চেন চোংদুনা শান্নজনবা শুমাং মচেৎ অমা ফাওবা লৈনরক্ত্রবনিনা মোবাইল ফোন, কম্প্যুটর গেম লোমদা মায় ওনশিনখ্রে।

খ্বাইদগী কিনিংঙাই ওইরিবা লায়নাশিংগী মনুং চল্লিবা ব্রেষ্ট কেন্সরগী মতাংদা মীয়াম্না শেরান্নবা মওংদা থাজনবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরি। চহী য়ামশিল্লক্লবা নুপীশিং খক্তদা ব্রেষ্ট কেন্সর নাবনি হায়না মীওই অয়াম্বনা থাজনৈ। অদুবু লায়না চহী মতাং অমদ হেক্তা তাবা য়াই। ব্রেষ্ট অমদি শেগ্রাকতা পোমখৎলকপা কেন্সর নত্তে। তৌববুদি দোক্তরগা তান্নদুনা মরী লৈনবা টেষ্ট তৌথোকপনা খ্বাইদগী চুম্বা খোঙথাংনি। অদুবু মফম অমদা পোমখৎলক্লে হায়দুনা হেক্তমক নুংশা থিবা তৌরোইদবনি। কনাগুম্বনা ব্রেষ্ট কেন্সরবু ইমুং মনুংগী ঈ মরীদগী লৌনৈ হায়না থাজনবা য়াওই। ৱাফম অসি অরানবনি হায়বা কুপ্পা থিজিনবদগী খঙলে। ইমুং অমগী মীওই অমা লায়না অসি নাবা য়াওখ্রবসু ইমুং অদুগী মীপুম খুদিংমক রিস্ক ৱাংবা নত্তে।

অমরোমদা মীওই অয়াম্বনা লায়না অসিগী রিস্ক হন্থহন্নবা পাম্বৈ লৈতে হায়না থাজনরি। অদুবু তশেংবদি মীপুম খুদিংমক হকচাং লেং-ওৎপগী থবক তৌবগা লোয়ননা য়ু অমদি মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোক্তুনা মনা-মশিং (উহৈ-ৱাহৈ য়াওনা) মরাং কায়না চাবা মতমদা লায়না অসিগী রিস্ক হন্থরকই হায়রি।



চহী খরগী মমাংদা ব্রা শীজিন্নবনা ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকই হায়না থাজনরম্মী। লিমকোটিক ফ্লোদা অপনবা পীবদগী ব্রা শীজিন্নবনা ব্রেষ্ট কেন্সর ওইহল্লকই হায়না থাজনখিবনি। অদুবু ৱাফম অসি অরানবনি হায়বা খঙলে। মীপুম খুদিংমক ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াই। চহী ৫০ হেল্লবা নুপীশিংদনা অমুক্কা হেন্না রিস্ক মায়োক্লে। অদুবু ইশা ইশানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎচরবদি রিস্ক অসি ফনা য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী।

হীরম অসিগা মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাং খরদং খঙমন্নিসিঃ-

১) চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি ব্রেষ্ট অমদি কোলোন কেন্সর য়াওনা কেন্সর মখল খরগী রিস্ক হন্থহনবা ঙম্মী।

২) হকচাংগী অরুম্বা হেল্লবদি প্রোষ্টেক, পেনক্রিজ, য়ুটেরস, কোলোন, ওভারি অমসুং ব্রেষ্ট কেন্সর নারকপা য়াবা মরম্না মীপুম খুদিংমক হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহল্লোইদবনি।

৩) অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবগী মহুত্ত হকচাং লেং ওৎপা থবক তৌগদবনি।

৪) মচি ওইবা চীঞ্জাকমচল শুনা চাগদবনি।

৫) হিদাক মনাগী পোৎলম অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি।

৬) অলত্রা ভাইওলেট রেনা উনশাগী কেন্সরগী (স্কিন কেন্সর) ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না নুংশাদা কুইনা খক লৈরোইদবনি।

৭) চীন-লৈ, খন্নাউ, ইসোফেগস অমদি লেরিঙ্কসতা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না য়ারিবমখৈ য়ু থক্লোইদবনি।

# মণিপুরী খুন্নাইদা নুপীনা পেনা খোংবা

ঙসি মণিপুর হায়রগা খংনরিবা মমাংঙৈদা "হান্না শেম্বা কোন্না লোইবা, তেল্লী কোকতেন, মুৱাপলী" হায়বনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মীংথোন কয়ানা খংনরম্লবা লমদম অসি লৈমা নিংথৌ পান্দুনা মনীং মখা তম্না মমাংঙৈদগী লৈজরক্লবা লৈবাক অমনি। লাই হাক্তক্তগী হৌরগা নিংথৌ কয়া পাল্লক্লি হায়না থাজনবদুনা ঙসি ফাউবা নিংথৌগী পরমদুদি কাইদনা অদুমক লাক্লি। অসুম্না অসুম লাকপসিনা নিংথৌ-নিংথৌরোলশিংগী হাক্তক্তা অৱাবা তাখিবা/তাব, ইনাৎ লাইনিংদা শোকখিবা, লৈঙাক্লোন্দা কাইথখিবনচিংবা কয়া য়াউদবা নৎতে। অসিগুম্লবা লমদম অসি ইনাৎতদি ময়েং তাদনা লৈরি।

ইনাক খুল্লবা ইরমদমগী ইনাৎ অসিদা পেনা হায়বা খুৎলাই অসিসু অচৌবা মফম অমা কল্লীবনি, পেনা হায়রিবা খুৎলাই অসি য়াম্না লিরবা লাইগী মতমদগী লৈরক্লবা খুৎলাই অমনি। পেনা হৌরকপগী মতাংদা "পেনা অনোই" দা অসুম্না পল্লী "পেনা লৈশেমঙৈদগী লৈরক্লবা শামৈ অনীনা তক্লরগা থোরকপা খোম্থোক্লা মীওইবগী পুক্লীং সুমহৎনিংঙাই ওইবা লিরবা লাইশিংনা হৌদোক্লম্বা পোৎশক অমনি। মসি লৈমরেল গুরুগী মশক্লি, লৈমরেল গুরু অনিনা অহানবদা ওক্লবা মফমবু ওকশং কৌই। পুক্লীং অনীনা লাংনরে লাংশং কৌই; উনীংবা পুক্লীং অনী উনরে চান্নরে উচান কৌই; মরেক মহাউ থোকই উচান মরেক কৌয়ে; লাংনবা পুক্লীং অনীনা পেন্নরে হায়বদগী পেনা কৌই। অসুম্না লাইশিংনা লৈমরেল গুরুগী পাদম লাক্লা পেনা পুথোকখি; অদুনা পেনা মরুনা লৈমরেলগী মশক্লি, পেনা চৈজিংনা গুরুগী মশক্লি চৈজিংনা নোংথৌ ইপাগী মশক্লি, মরুনা মালেম ইমাগী মশক ওইনা লেপনখি।"

পেনা অসি ঈশৈগা লোইননা শক্তুনা থৌগল তৌবা চৎনৈ। অসিগুম্বা মীওই অসিবু ঐখোয়গী খুন্নাইনা পেনা অশৈবা হায়না খংনৈ। পেনাগী মচৎতা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। অওনবা কয়াসু লাকখ্রে। অওনবশিং অসিগী মনুংদা হৌজিক ঐখোয়না উরিবসি নুপীনা পেনা খোংবা হায়বসিসু অচৌবা অওনবা অমনি। পনবা য়াই অহানবা পেনা খোংখিবা লাইনিংথৌদি "অশিবা/সনামহীনি অমদি ইবুধৌ পাখংবনা নিংথৌ ওইরিঙৈদা অহানবা পেনা খোংখিবনা খানিং লোনজা থরুক অশৈবনি হায়না লাইরিক কয়াদা পল্লি। অমদি "পাখংবা নোংগুম্বা", "পাখংবা খুনগুম্বা" হায়নসু কৌনবা পুয়া অদুদা অসুম্না ইরি। 'অৱাং হনজিং চীংমৈহলনা লৈনুং মরুক অশৈবনা পেনা লমইন খোংই হায়না ইরি।" মীগী মতমদা পেনা খোংখিবা মীওইদি হাউখা তোনাবা, কোনথৌ অতোন অমসুং খুরাই লাইঙম অসিনচিংবশিং অসি লাইরিক কয়াদা পল্লি।

মথক্তা পঞ্জরিবা পেনা অশৈবশিং অসি নুপা ঙাক্তনি। মসিনা তাকপদি নুপী অমৎতনা লাইরেম্বী অমৎতনা পেনা পাইরমদে হায়বনি। মসিদসু নৎতনা পেনা লোইশঙ/অশৈ লোইশঙদা নুপী কারমবগী ৱা থেংনদে। অদুবু ঙসিদি নুপীনা পেনা পাইবী কয়া ঐখোয়গী খুন্নাইদা উবা ফংলে। মণিপুরী খুন্নাইদা নুপীনা পেনা পাইবা য়াই য়াদে হায়বদুনা অমা ওইরগা পেনা অশৈবা অমগী মচৎতা নুপীশিংবু পুশিন্দুনা নৈনজরি।পেনা অশৈবা অমনা শেৎনরম্বদি ফৈজোম অঙৌবা, খ্বাংচেৎ, কোকয়েৎ, লেংয়ান, করিগুম্বা অশৈবা অদুনা লৈবাক্কী থাক্তা মনা ফংলবা ওইরগদি খামু চপ্পা ফৈজোম, রেসোন ফুরিৎ, শাই ককপা, কোকয়েৎ অচৌবা, খ্বাংচেৎ, লেংয়ান, খুজি পোকচাউবী, তাল হায়রিবশিং অসিনা পেনা অশৈবশিংগী ফিজেৎ লৈতেংনি। ঙসিদি পেনা খোংবা নুপী থোক্লক্লবনিনা মখোয়গী ফিজেৎসু মীৎয়েং চংফম থোকই হায়বদি লাইগী মশক ওইরবা খুৎলাই অমা পাইরবনীনা তৌবা য়াবা য়াদবা য়েংহৌদ্রগদি তুংদা অকাইবা কয়া লাকপসু য়াই।

পেনা অসি চাদা নাউদগা মরী লৈনবা খুৎলাই ওইবনা পেনা পাইবদা নুপীগী ঈ-নুংশিৎতা শোকই হায়না ইরমদম অসিগী অহল লমনশিংনা তাকপিরকপা ৱাফম অমসু থেংনজৈ মসি কদাইফাউ চুম্বনো হায়বদুদি মখা তানা নৈনহঞ্জনিংই। ঙসি ঙসিমক মণিপুরী খুন্নাইদা মশক নাইবা পেনা শকপীশিংনা ঈশৈ মখল মখল কয়া পুথোক্তুনা মালেমগী থাক্তা মশক তাকপীবা অসি লাইবক ফবনি তৌবতবু মমাংঙৈদগী লৈজরম্লবা শেহেক শৈদাশিংদি কাইহঞ্জহন্নীংদে। মমাংঙৈদগী লৈরম্লবা শেহেক শৈদাশিং অসি নোতেসন্না চিংবা তৌহৌবা চংই করিগুম্বা তৌহৌদ্রগদি মাংখিবসু য়াই, মীতোপকীনি হায়খিবসু য়াই। পেনা হায়বসি পোৎশক অনী পুল্লগা শেম্বনি হায়বদি চৈজিং অমদি মরু, মণিপুরী খুন্নাইনা চৈজিংনা অতিয়ানি হায়বদি গুরু শিদবগী মশক্লি মরুনা মালেমনি, হায়বদি মালেম ইমাগী মশক্লি হায়বসি পুম্নমক্লা য়ানৈ। মরম অসিনা মমাংঙৈদা লৈরম্বা পেনা অশৈবশিংনা পেনা মরু অসি লেংনরমদে হায়বদি মালেমগী মশক ওইবনা মালেম ইমা অৱাবা তাই হায়না থাজনৈ। অদুবু হৌজিক্তি চৈজিং অমসুং মরু পুল্লপ খুৎ অমৎতনা পাইশিন্দুনা জগোই শাবা ঈশৈ শকপা কয়া উরে মসি তৌহঞ্জন্নিংদে।

নুপীনা পেনা শকপীশিং অসি ঙসি ফাউবদি খুন্নাই অসিগী লাইথৌ থৌরমশিংদদি শরুক য়াদ্রি। চুম্না কলচরেল প্রোগামনা চিংবদা শরুক য়াবনি থোইনা হেন্না অকাইবদি তৌবা নৎতে। লাকচনিংবা ৱাফমদি মখোয়সু য়োকখৎপীশি মীতোপ্পা তৌরবদি নৎতে। ঐখোয়গী ইচে-ইচলশিংনা তৌজবনি তৌবতবু লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা তৌরম্বা মচৎ, পরমদুদি কাইহন্দনা মখোয়না কদাই ফাউবা তৌবা য়াবা হায়বদু লোইশঙনা অমদি ইনিংথৌনা পুক্লীং চিংশিনজহন্নিংই অমদি মীৎয়েং চংবীবা মতম ওইরবরা হায়না খঞ্জে। অসুম্না অসুম চৎখ্রবদি ইপা-ইপু লুখা থাবা হায়বদু থোক্লগনি অমদি তুংদা লাকপা মীরোলদা মরিং-মরাংবা ইনাৎকী চৎনবী অমা পীরম্বা ওইরগনি।

ঙাঙোম কুঞ্জালাতা চনু

## NAME CHANGE


My real name is Raju Momin as recorded in my aadhar card bearing no.748856459570. But my name is recorded as Irom Raju in my Voter card bearing EPIC No.BSS0278739.

My correct name is Raju Momin. The names i.e Irom Raju and Raju Monin connotes the same and one person.

**Sd/-** Raju Momin
Itham Maning Leikai,
P.S. Maphou Dam,
Imphal East, Manipur

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-223*



**ACROSS**
- 1 Palma's island (7)
- 5 Water jug (6)
- 8 Drive covering (6)
- 9 Threaded fastener (5)
- 10 Caribbean island (7)
- 11 Extent (5)
- 12 Norse god (4)
- 13 Run ___, go crazy (4)
- 15 *Wizard Of Oz* character (3,3)
- 18 Subordinate to (5)
- 19 Rained heavily (6)
- 20 Broke free (7)
- 23 Linked organisation (9)
- 29 Ashes holder (3)
- 30 Star divination (9)
- 31 Colouring (3)
- 33 Jewish religious festival (3,6)
- 35 Oration (7)
- 38 ___ Steadman, British actress (6)
- 40 Animal-friendly eater (5)
- 42 Lengthen (6)
- 44 Prayer conclusion (4)
- 45 Ripped (4)
- 47 Small medicine bottle (5)
- 48 Flourish of trumpets (7)
- 50 Type of wine (5)
- 51 Put on the back burner (6)
- 52 Relic repository (6)
- 53 Conundrums (7)

**DOWN**
- 1 Skip (4,3)
- 2 Conquer (8)
- 3 Saw eye to eye (6)
- 4 Wages after tax (4,4,3)
- 5 Reed instrument (8)
- 6 Seaweed (4)
- 7 Set out (6)
- 14 Deadly African snake (5)
- 16 Sprites (4)
- 17 Undressed (4)
- 20 Tidal part of a river (7)
- 21 Incantation (5)
- 22 Fourth Greek letter (5)
- 24 Tripoli's country (5)
- 25 Personal goods and belongings (7)
- 26 Cartoon fawn (5)
- 27 Alcoholic spirit (5)
- 28 Proverb (5)
- 32 Three-yearly (11)
- 34 USA's 'Pine Tree State' (5)
- 36 Have a meal (4)
- 37 ___ Lock, late comedian (4)
- 39 Nudism (8)
- 41 Connected (8)
- 43 Duke's wife (7)
- 44 Declare to be true (6)
- 46 Snooker rest (6)
- 49 Common sense (4)

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 6 | 8 | 2 | 9 | 5 | 1 | 4 |
| 8 | 2 | 4 | 1 | 5 | 7 | 9 | 6 | 3 |
| 9 | 5 | 1 | 6 | 4 | 3 | 2 | 8 | 7 |
| 2 | 4 | 8 | 5 | 7 | 1 | 6 | 3 | 9 |
| 1 | 6 | 3 | 9 | 8 | 4 | 7 | 5 | 2 |
| 5 | 9 | 7 | 3 | 6 | 2 | 1 | 4 | 8 |
| 6 | 7 | 5 | 2 | 3 | 8 | 4 | 9 | 1 |
| 3 | 1 | 2 | 4 | 9 | 5 | 8 | 7 | 6 |
| 4 | 8 | 9 | 7 | 1 | 6 | 3 | 2 | 5 |



Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**